# নুংঙাইবা-থিরুবদা ফংগদ্রা?

চহীমুক্কী মমাঙদা মণিপুর শিনবা থুংনা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়নবা ঈশিং-ঈচাও অমগুম ইনভেষ্টমেন্ট কম্পনি খরা (মমিংদি পঞ্জনীংদ্রে) থুংলরদুনা, মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্তা ‘থুনা ইনাক খুন্নবগী’ মঙলান অমা মঙহনখি। অচৌ-অশাঙ, লায়র’-ইনাকখুনবা খাক্তনা পূমঙাও ঙাওনখি। মালেমগী মফম অমত্তদা, আইন্না য়াবা সংস্থান (ফাইনান্সিয়ল ইন্সটিট্যুসন) অমত্তনা পীবা ঙমলোইদবা শেন্দোয় পীগনি হায়দুনা চাউনা ‘অফোংবা নমথাক’ অমা কনাগুম্বা খরনা তৌরকপদা, ফাবা-পুনবা তৌগদবা পুলিস ফাওবা (অচৌবা পুলিস ওফিসর খরা) য়াওনা লাখ-লাখনা খুজিং ওইদুনা পৈশা থাদখিবগী পাউ তানখি। সেপ্টেম্বর ২৩, ২০১০- কোলম অসিমক্তদা ৱারেংজরিবা ঐগী আর্টিকল অমা ফোঙজখি - ‘লায়রবা কোক্লবা পাম্বৈ’। ৱারেং অদু ইরুবগীদমক ইচিন-ইনাও অম’নি লাক্তুনা, ৱারেং অদু মখোয়বু উশিত্তুনা করেম কথায়নরিবনি, পাউচেশিংদা শেংদোকউ হায়দুনা অকি-অখং পোকহন্নবা ফাওবা হোৎনখি। ঙসি, মখোয় পূম্নমক্লা অপঙবা তাহৌরবা, লায়রখ্রবা মীয়ামসিদগী লুপা ক্রোর, চা কয়ানা খুজিং ওইদুনা, নমথাক তৌদুনা খোমগৎখ্রবা তুংসিদদি ঙাপ্রম মমৈদা খূজিন্না শীকপগুম ‘লাকচৈদা’ হায়দুনা তকশি শোন্দুনা লৈহৌরে। থুনা ঈনাক খুন্নিংবা কাঙবুগী লুচিংবা খরদি ময়ূম মকৈ থাদোক্লম’ মীরোৎ ওইখিবসু য়াওনরে। মীওই লিশীং কয়া অমনা কোক্তা খূৎ হাপহৌরে।

অসিগুম্বা, নেটৱর্ক কম্পনি হায়গদ্রা, মথং মথং ‘চেন ওইনা’ পাকথোক চাউথোকহনবা করবার মখল অসি নত্তবদা, মী অমনা অমবু থাজহল্লগা শেল খোমখিবা অমদি হাৎখিবা থৌদোক মশীং লাকঙমদনা লৈখ্রে। থৌদোক কয়া অদুনা মমীৎ মমায় পাঙহল্লমদুনা, হেন্না খজিক্তং ওইরবসু শিংগৎলমগদ্রা খল্লগা হান্নগুম ‘হামু হামু’ করিমত্তা কিদনা শেল পীথোক-পীশিন, হাত্তোক-হাৎচিন তৌনবগী পাউ লেপ্তুনা তারি। অসিগুম্বা পাউশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ‘কম্মন ওইবা’, তোয়না তারবা, তুংদসু তারকখিগদবা পাউ অসি ‘থবক হাপ্পীগনি’, নৎত্রগা ‘থবক্তু শোয়দনা ওইনবা হোৎনবীগনি’, নৎত্রগা ‘লোন’গুম্বা ‘অচৌবা শেলগী মতেং ফংহনগনি’ হায়বগী মওং অসিনি।

মওং অসিদা, অমবু ওইরে/অমবু ওইরে চেন্নরিবা মীকোক অসি অনী’নি - শেল পীবা অমা, লৌবা অমা। অনীমক ওইজবা থিবা ঙাক্তনি। থবক্তা ওইখ্রগনা, শেল লৌরিবা মীদুনা পীরিবা মীদুদা থৌজানবীবা, শেল পীরিবা মীদুনা লৌরিবা মীদুদা লমন তোনশিনবা। করিগুম্বা থবক অদু ওইহৌদ্রগনা, শেল লৌরিবা মীদুনা পীরিবা মীদুদা নমথাক তৌবীবা, শেল পীরিবা মীদুনা লৌরিবা মীদুদা য়েক্লবগুম তেমশিংনবা।

অসুম্না, মীওইবনা মীওইববু নমথাক তৌবগী থবক-থৌওং অসিদা চেন্নরিবা ‘মীওং’ মখল অনীমক্কী পূক্নিংগী ওইবা মশক অদু হাইফেৎ নৈনদুনা য়েংবদা থেংনবীগনি- অনীমক ‘মশাগী ওইজবা থিবা, অরানবা পাম্বৈনা ফংফম থোক্তবা পোৎশক অমবু ফংনবা হোৎনবা’ মখলগী মীওই কাঙলূপ অদুদা চল্লি।

করম্বা মীওইবু, তাৎ তৌবা হৈবা কনাগুম্বা অমনা লায়না নমথাক্কী লাংদা থুহনবা ঙম্বগে? মশানা মশাবু মশক খঙজবা ঙমদবা, মশানা তৌবা ঙম্বা থবক্কী চাং খঙবা ঙমদবা, মশাগী মতিক মগুণনা ফংফম থোক্তবা লন-থুম ফংনীংবগী ইখৌলাংবা-অসিগুম্বা মী অসিনা নমথাক্কী লাংদা থুগনবা, থুহনবা খ্বাইদগী লায়বা কাঙলূপনি। অমরোমদা, মশানা মশাবু মুন্না মশক খঙজবা, মশাগী অশোয়বা-অশোনবা খঙজবা, ফংফম থোক্তবা লন কল্লক্তবা - অসিগুম্বা মীওইশিংবুদি কনামত্তনা ইরায় লায়না নমথাক তৌবা ঙল্লোই। অদুগা, অতোপ্পা ‘নমথাক্কী লাং অসিদা য়াম্না থুগনবা’ কাঙলূপ অমদি - মশানা মশাদা কা হেন্না থাজবা থম্বা, থবক খুদিং ঙমগদৌবোইতা নীংবা, মীওই কাঙলূপ অসিসুনি। মরম অসিনা, ঐখোয় ইশানা ইশাবু শক খঙজনবা অমদি ইশাগী ‘অশোনবা অমদি অকনবা’ গুণশিং অদু খঙননবা হোৎনবা, য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। ইশাবু খঙজবা ঙম্লবা মতুংদা নাক-য়েৎ, অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংবুসু কূপ্না য়েংগদবনি। শেল-থুম নৎত্রগা করিগুম্বা ওইজ ওইথক অমা ফংনবগীদমক, ফনমক শোয়রোইদবা লীখুন ওইরবসু, মমল ওইনা করিগুম্বা খরা নিরল্লবা -তঙাইমক ফদনা ঐখোয়না তৌগদবসি, ইশাগী থনুংদা ফাওরল্লিবা ‘অপাম্বা’ অমদি ‘মিহৌবা’ গী পূক্নিং ইহুল অদু লাকশিন্নবা হোৎনবনি।

মীওইববু অৱাফমদা তাহন্নবগী শুমহৎলাংনি হায়নরিবা ‘অপাম-মিহৌ’ গী ইহুল অসিবু নমথবা অমদি লাকশিনবা ঙম্লবদি ঐখোয়না পুন্সিদা শোয়দনা থেংনরগদবা ‘মায়থীবা’ কয়াদগী কনবা ঙমগনি, লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখল অনীবু নুংঙাইনা থম্বা ঙমগনি। হায়নৈ, নুংঙাইবা পামদবা মী লৈতে। মীওইবনা হিংলিবসি নুংঙাইবা থিরিবনি। অদুবু, করম্বা মখলগী নুংঙাইবনো হায়বা ৱাফমসি লাকপ্পদনি মী অমগা অমগগী মরক্তা অচৌবা খেন্নবা অমা লাক্লিবা। শেল পায়বা, ইনাক খুনবা মী ওইদুনা ফুৱা দলান্দা, মোন্দুম মোন্তেকথক্তা অহাওবতা চাদুনা মীনায় মীশন থমদুনা লেনবদুসু মীয়াম্না পাম্নবা ‘নুংঙাইবা পুন্সি’ মখল অমনি। অয়াম্বা মীচমশিংনা পামজ রিবা পুন্সি মথেল অদু মসিনি। অদুগা, মসিগী ওন্ন-তৌনবা ‘নুংঙাইবগী ৱাহন্থোক’ অমসু লৈ। অপাম্বা য়াওদবা, মিহৌবা লৈতবা, ঐগীনি হায়বা থমদবা, লন-থুম-শেলবু কল্লকউদবা, লৈজবা খরনা পেন্থোকপা, অহেনবা পামদবা... পূম্নমক অসিবু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্লবা মহাক অদো তাইবঙসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইনা হিংলিবা মীশকনি। ৱাহন্থোক অসিমদি ঙসিগী মীরোল অসিদা য়ানীংবা মী তাঙনা থোক্কনি।

মতাংসিদা ৱাফম অমত্তা হঙ্গৎচগে। ৱায়োং চাদবনি খনবীনু, অমুক্তং তিন য়োৎথরগা খন্থবীয়ু। ...‘মীওইবা হায়বসে, মহাক্না নীংজবা-পামজবা অদু পামজ-পামজনা ফংদ্রিবগী মতিক নুংঙাইবা হেল্লি...।’ তাবদা খজিক্তং মরিং-মরাংনা থোকপীরমগনি। য়াবীনীংলোই। অদুবু, অমুক্তা খন্থবীয়ু। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এশিংনা নীংজবা পামজবসি মিনিষ্টর অমুক্তং ওইবনি। মিনিষ্টর ওইরবা তুংদনা ‘চীফ মিনিষ্টর’ অমুক্তং ওইবনি। ওইরুদ্রি’মখৈদি মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ খরদু অদুম তৌদুনা লৈবদা কনানা করিসু হায়রক্লোই। হেক ওইখ্র’ তুংদদি অরেং অরেং খুদিংগী পূম্নমক্লা মরাল শীবা হৌরক্লনি। অদু তৌই, অদা তৌদে। থবক তৌবগীসু ৱাগনি, তৌদবৈসু ৱাগনি। অতোপ্পা কনানা তৌখিবা অরানবা থবক অমগী মরাল শীফমনা মঙোন্দা। মায়কৈ কয়াদা মরোল নাইনা ঙাকশেল-থৌৱাং য়াওদনা তূম্বা-হীপ্পা ঙম্লক্লোই, নাক-য়েৎ-মাঙ-তুং নোংমৈ পায়বা সিফাই কয়ানা ঙাক-শেন্দুনা চৎত্রবদি খোঙকাপ অমত্তসু থাংঙল্লোই। ঐগী পুন্সি, ঐনা পামজবা মওংদা হিংঙল্লোই, অতোপ্পা কনাদা মপাল তাংদুনা হিংলক্কনি। অদুগুম্বা পুন্সিদুবু ‘নুংঙাইবা পুন্সি’ নি হায়সিরা? অমরোমদা, মীয়ামগী লুচিংবা ওইদুনা ‘লুচিং-পুরেল’ দু ওইরক্লবা হোৎনরিবা, মীয়াম মরক্তা লৈদুনা মীয়ামগী থবক তৌরিবা মহাক অদুদি কয়াগী মতিক নুংঙাইরমগনি?

অতোপ্পা শিনফম কয়াদা ‘নীংথিনা মায় পাক্লবা’ মীওই কয়াগী পুন্সিসু অদু মঙায়। মহাক মশাগী মরন্নাই পুন্সি নত্তবা, ‘ফিদম্লিংঙাই ওইবা মপুরোইবা নৎত্রগা লোয়নবী’ অমা ওইনা, নৎত্রগা ‘ফিদম্লিংঙাই ওইবা মপা/মমা’ অমা ওইনদি কমদৌবগে? মায় পাক্লবা মমা-মপা খরনা মখোয়গুম মায় পাকহৌদ্রবা মচাশিংগীদমক ৱায়। মীমান্নহৌদ্রবা মমা-মপা খরনা অমুক ‘ফদি-ফরালক্তা মনিগুম লংলকপা’ মচাশিংগী পুন্সি উরগা হরাও-মোমোন নোকই। মহাত্মা গান্ধীগুম্বা, মালেম পূম্বগী ফিদম ওইরবা অমগী মচা-মশুশিং অমত্তসু ‘পব্লিক লাইফ’তা থোরক্তে। মশাবু ঙাক-শেন্নবা থল্লিবা, খূৎলায় পায়বা সিফাইদুমক্লা ইন্দিরা গান্ধী কাপ্তুনা হাৎখি। পুন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদবা ঙাক্তনা থল্লি।

অৱাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা হায়বসি - কনাগুম্বা অমনা তৌরুবা থবক অমগী মহয় ওইনা ফংলিবা পুন্সিগী মশক অদুদা, মশামক্লা খঞ্জবা ৱাখলগী থাক অমনি। ঐনদি ‘অৱাবা পুন্সি’ নি খঞ্জবা, অতোপ্পনদি নুংঙাইনা উবীরম্বা য়াই। অমরোমদা, নুংঙাইরে খঞ্জবা কনাগুম্বগী পুন্সি, অৱাবনা থনবা পুন্সি ওইরম্বসু য়াই। মীওইবা হায়বসি, মথন্তা-নায়তোম হিংবা হৈতবা, ইমুং অমদি খুন্নাই হায়দুনা ৱাখলগী কাখল কয়া খায়দোক্তুনা পূন্না হিংমিন্নবা কাঙলূপনি। ‘মসিনা অচুম্বনি’ হায়দুনা লেপথোকপা য়াদবা, অৱাবা অমদি নুংঙাইবগী ৱাহন্থোকনি। ঐগী নুংঙাইবদা ঐগী নুপী অমদি ইচাশিং য়াওদ্রবা, মখোয়গী নুংঙাইবদা ঐহাক য়াওশিনবা ঙমদ্রবা- ইমুং অদো নুংঙাইবা ইমুং নত্তে। ঐনা নুংঙাইরগা য়ূমলোন্নবনা ৱারবা খুন্নাই অদো চরাংনগনি।

ৱাহৈশিংসি খজিক্তং ফিলোসোফিকল ওইমল্লবরা? অতোপ্পা মওংদা অমুক নৈনসি। ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা হায়নরম্বা ৱাহায় অমা লৈ- ‘চাগনবা য়াঙ্গংবা, শুগনবা লায়রবা’। করি হায়রিবনো? ৱাহায় অসিদি মীৎয়েং অনী থোক্লা য়েংবা য়াই, অনী থোক্লা ৱাহন পীবা য়াই। ঐনা পামজবা অমা ফংনবা, ফনা কন্না হোৎনদুনসু ফংফম থোকপদু শুকফং ফংদবা অমা। তৌরিবা থবক থৌওংদু শোয়দুনা মতিক চাবা মহয় ফংদবা (মচি ওইবা চিঞ্জাক চাদবদগী, চারবসু কান্নফম খঙদবা) গী থৌদৌ অমা। অসিগুম্বা ফীভম অমা লাক্লবদি ইশানা ইশাবু অমুক হঙ্গৎনা য়েংজবা তারকই - ঐগী অপাম্বনা করি? ফংলিবনা করি? ঐনা লেপফম থোকপা মফমদুদা লেপ্লিবরা ঐহাকপু? মীওইবগী অপাম্বা হায়বদুদি মপান নাইদবা পোৎশকনি। করিগীনো ঐখোয়না পূক্নিংসিদগী মসিবু তান্থোকপা ঙমদ্রিবা? অপাম্বা য়াওদ্রবা পুন্সিদুদি নুংঙাইবগী তূংনফমনি’ হায়বসিবু কনানসু চাংয়েং তৌদুনা অমুক্তসু য়েংনীংদ্রিবা করিগীনো? মরমদি, ‘সনা-লুপা-লন-থুম’না পাদম ওনবা নুংঙাইবগী মশক অদু নত্তবা অতোপ্পা অমা উবা ঙমদবা ঐখোয়গী পূক্নিং অসিনি।

অচৌবা শেন্দোং অমগী আশাদা করবার তৌরুবা কনাগুম্বনা ‘অফংবা খরনা পেন্থোকপা’ হায়বদু শুকঙম ঙল্লোই। ঐনা ফংলিবা খরদুনা পেন্থোকপা হৈত্রবা, নুংঙাইবসু শুকফং ফংলোই। নুংঙাইবা হায়বসে অতোপ্পনা পীরক্কদবা নত্তে, ইশানা তমজগদবনি। থবক অমা হৌরুরগা, ‘ঐনা মসিদগী করি কান্নবা ফংগদৌরিবগে’ হায়বা ৱাখলসিনা ঐবু থবক অদু তৌবগী নুংঙাইবা ফংহন্দে। ঐগী কান্নবা ফংদ্রবসু অতোপ্পা কনানা মদুগী কান্নবা ফংহৌসনু খন্না থবক তৌবা ঙমদবসিনি অনৌবা মীরোলসিগী অৱাবা। ইশাদা খুদক্কী ওইবা কান্নবা পীবা নত্তবা থবক অমা তৌবদা নুংঙাইবা ঙম্বা হায়বসি করম্বা মীওইনা ঙমগদগে? মশানা মশাবু মশক মুন্না খঙজরবা, অতোপ্পগী পুন্সিবু মশামক্কী পুন্সিনি খনবা ঙল্লবা মহাক অদুত্তনা ঙমগনি। মহাক অদুদি কনানো? লাইনীং লম্বী অমগী অচুম্বা লম্বী তাল্লিবা অমদি লাইগী ৱাপাউ শন্দোল্লিবা মহাক অদুসু অমনি। অদুবু, মশানা পামজবা লাইনীং লম্বী অদুগী ৱাপাউ শন্দোল্লগা অতোপ্পা লাইনীং লম্বী অমবুদি হুল্লান্দুনা ঙাঙবা, করেম কথায়নবা, তাথীনা তৌরিবা মহাক অদুদি খ্বাইদগী চাউবা পাপিনি। মহাক্তি মশানা মশাবু খঙজদ্রিবা মীশকনি। ইশানা ফংলিবা নুংঙাইবা অদুগুম অতোপ্পবুসু নুংঙাইহনবা ঙমদ্রবদি, মদু অশেংবা নুংঙাইবা নত্তে।

‘পুন্সি হায়বসিদি লোইনাইদবনি, পোকপা-শিবা হায়বসিদি পুন্সি খোঙচৎ অসিগী লমদনফম অনীখক্নি’ হায়বসি খঙজরকপা নুমিৎ অদো ‘মপান-নাইদ্রবা, লোইনাইদ্রবা লন’ অমা ফংজরবনি। মসিদগী হেনবা নুংঙাইবা অমা লৈতে। অৱাবা অমদি খুদোংথীবা হায়বদুদি লন অসিগী হাপ্পফম, ‘থৱায়’ গী মথৌ শঙবনি। মীনা হুখিবা য়াবা, মাঙখিবগী অকিবা লৈবা ‘লন’ অদুগা কনানসু হুবা ঙল্লোইদবা, মাঙবা নাইদবা লন অদুগা -অনীগী খেন্নবা খঙবসিমক অরুবা অমনি। ‘লোইনাইদবা লন’ অদু ফংবগী ‘নুংঙাইবা খূৎনুংঙাই’ অদু অমুক্তং লৌদুনা য়েংমিন্নসি। মদুনি, অশেঙবা নুংঙাইবা, অশেঙবা শান্তি। *– ইন্দ্রকুমার*

# পূক্নিং ৱাখলগী লায়না লায়েংবদা খূৎপায় লাইরিক ওইনা মীপূম খুদিংনা পাবদা কান্নরবা লাইরিক ‘‘ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা’’ লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

ডাক্তর রাজকুমার লেনিন ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপান্দা লৈবা রাজকুমার মংলেমসনা অমদি আর কে ওংবী সত্যবতি অনীগী মচা নিপান পোকচবগী খ্বাইদগী অহানবা ফংজবা মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। নীংশিংবা য়াই, মহাক ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী এম দিনি। য়ুম্বান পুন্সিদা ডাক্তর পোৎশংবম বিনাতা, হৌজিক হৌজিক মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসতা জোইন্ট দিরেক্টর ওইরিবীগা খোঙদাদুনা মচানুপী অনী, লক্ষ্মী অমদি লোরিন্দাগী অপোকপা ওইবা ফংজখি। ডাক্তর লেনিন কুমজা ১৯৮৭তা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসতা থবক চঙখি। অনা লায়েংগী লম্‌দা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অমদি খুঙ্গং কয়াদা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হকথেংননা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখি। কুমজা ২০০০দগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, ইম্ফালদা অমুক লাকখি। ডাক্তর লেনিন হৌজিক হৌজিক দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাত্রি, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা প্রোফেসর ওইনা থবক তৌরি। হৌজিক্কী মতমদা মীপূম খুদিংনা তাদি তানরবা অদুগা লায়না লায়ওংদি খঙবদা খজিক ৱানা থোক্লিবা পূক্নিং ৱাখলগী লায়না অসিদা অনাবা কয়াবু লায়েংলিবা অমদি নারক্তনবা পাউতাক কয়া লেপ্তুনা পীরি ডাক্তর লেনিননা। হকশেলদা য়াম্না মরু ওইবা হীরম অমদা মীয়ামগী থৌগল চোকথবা নাইদনা তৌরিবা ডাক্তর লেনিননা ইবা ‘ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা’ হায়রিবা হকশেলগী লাইরিক অসিমক য়াম্না তঙাইফদবা মীপূম খুদিংনা পাদবা য়াদবা লাইরিক অমা ওইরি। লাইরিক অসিদা ফজরবা অমদি য়াম্না পূক্নিং লৌশিং ওইরবা ৱারেং পূন্না ১৮ য়াওরি। পূক্নিং ৱাখলগী লায়না অমদি মসিনা ওইহল্লকপা অনাবশিং, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী চৈথেং মায়োক্নরিবা নহারোলশিংদা পীরিবা চৈথেং, মসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা। মতৌ কমদৌনা হৌরক্লিবা মীরোলনা হকচাং ফনা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা লৈতনা লৈহনগনি হায়না অনা লায়েংশঙগী ৱাংমদা মীয়াম্না হেন্না হীরম অসিদা খঙনবা রেদিওদা, টি ভিদা, পাউচে অমদি চেফোঙশিংদা হকশেলগী পাউজেল অমদি পাউতাক কয়া লেপ্তুনা পীরি ডাক্তর লেনিননা। লাইরিক অসি মীয়াম্না পাবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বসি লাইরিক অসিগী মরিশুবা খূৎনম কুমজা ২০১৭তা অমুক নম্বসিনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি। হৌজিক ফাওবদা লাইরিক লিশীং অহুম হেন্না য়োনখিবগী পাউদম লৈরি। লাইরিক অসিমক কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল বুক ফেয়রদসু খ্বাইদগী কোপি মশীং য়াম্না য়োনখিবা লাইরিক অমা ওইখি। খুন্নাই অমা লৈরবদি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা তিঞ্জং-কাইজংদনা লৈবা হায়বসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি। মথংদা লাক্লিবা ৱাফমদি পুন্সি মহিং, পূক্নিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা হায়বসিসু অমুক য়াম্না মরু ওইরি। চাওখৎপা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা শেম্বদা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম অসিসু য়াম্না মরু ওই। শেম্মীৎলোন, লৈবাক ঙাকলোন, ঐখোয়গী কলচর, ত্রেদিসন পূম্নমক ঙাক্লা অমদি ফিভম ফনা লৈহন্নবগীদমক্তা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা অমত্তা লৈহন্দবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই।

ডাক্তর লেনিননা কুমজা ১৯৮৭তগী মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসতা থবক তৌরকপদগীনা ঙসি ফাওবসিদা থেংনরকপা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবনা নারবা মীওইশিং অমদি হায়রিবা লায়না অসিদগী পুন্সি কলহৌরবা মীওই কয়া থেংনরকপগী এক্সপরিএন্স অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইরকপা লাইরিকনি ‘ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা’ হায়রিবসি। ৱারী ওইনা অমসুং পাউদম ওইনা, দাইলোগ য়াওনা হৌজিক হৌজিক পূক্নিং ৱাখলগী অনাবশিংনা অমদি ইমুং মনুংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়াসু মরীক চুম্না ইদুনা নৈনরি। অপাবশিংদা পূক্নিং লৌশিং ওইহল্লি। করম্না মীওই অমবু পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা লৈরে, অনাবশিংবু কমদৌনা য়ূমগী মীওইশিংনা অমদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা লোয়নবীগদগে হায়বসি লাইরিক অসি পাবদা লায়না খঙদোকপা ঙমহল্লি। মীয়াম্না সাইক্যাত্রিষ্টতা লায়েংবা চৎলবদি অঙাওবনি হায়না খনবা অরানবা থাজনবী অদুসু ময়েক শেংনা শন্দোক্লা তাক্লি অমদি পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা অদু অঙাওবা হায়বদু নত্তে, লায়না মখল অমনি। মসি লায়েংলগা ফগনি হায়বা ৱাফমশিং থল্লি। লাইরিক অসিগী হেক ইহান হানবদা য়াওরিবা ‘ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা কৈদৌবৈ সাইক্যাত্রিষ্টতা চৎতোইবা!’ হায়বসিদা মৌনহা অমবু মাগী নুপানা ডাক্তরদা লায়েংনবা পুরকপদা মপুরোইবদা শাওনীংবোই ইকায়বোই হায়বা দাইলোগ অমনি। তশেংবদি পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা লৈদুনা হায়রিবা অনাবশিংদা থেংনবা সিম্পটোম কয়াদি মরীক চুম্না নেরেটরনা ফোঙদোল্লি। তশেং তশেংনা অসিগুম্বা থৌদৌশিং অসি অয়াম্বা ইমুংদা হৌজিক্কী মতমদা থেংনরিবনি। মীওইবনা চাওখৎপা হেল্লকপগী মতিক অনাবা মখলদি ফনা য়াম্না লায়েংবা ঙল্লবসু মতাং মতম চানা লায়েংহৌদবা অমদি লায়ওং হান্না খঙহৌদবদগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কয়া অমদি ইমুং কয়া অৱাফমদা তাবা কয়া য়াওরি। হায়রিবা অনাবা ময়াম অসিগী মরক্তা হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তোয়না থেংনবা অনাবা অমা হায়রগদি পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা অসিসু অমা ওইরক্লি। পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা মখল অসিমক মখল কয়া লৈরি হায়বদুসু ডা. লেনিননা শন্দোক্লা নৈনবা থেংনৈ। হায়রিবা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা মখলশিং Anxiety disorders, Behavioural and emotional disorders in children, Bipolar affective disorder, Depression, Dissociation and dissociative disorders, Eating disorders,Obsessive compulsive disorder, Paranoia অসিনচিংবা অনাবশিং অসি কমদৌনা নারক্লিবা, কমদৌনা লায়েংগনি অমদি অসিগুম্বা অনাবশিং অসিবু ডাক্তরদা কমদৌনা লায়েংগনি, ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অমদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা কমদৌনা লোয়নগনি হায়বদুসু মরীক চুম্না ৱারী ওইনা সাহিত্যগী ওইবা মচাকশিং হাপচিন্দুনা নৈনবা থেংনগনি অপাবশিংনা। ৱারী লীবা ওইনা অমদি ৱারেং ওইনা লাইরিক অসিদা নুংঙাইরবা থৌদোকশিং অশেংবসু অদুগা ফিক্সনসু য়াওনা ডাক্তর মশাগী এক্সপরিয়েন্সতা থেংনরকপা কয়া অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা য়াম্না মমুৎ তানা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা মখলশিং অদু অসিনি হায়না অপাবশিংদা লায়না পাউদল্লি। খরদং লৌখৎলগা য়েংবা য়াবশিংদি - ‘নাদবা শরুকপু য়াওশিল্লক্তে’, ‘ঐদি নাসু নাদনা কৈদৌবৈ হীদাক চাদোইবা!’, ‘বাইপোলর দিসওদর অমসুং মসিগী লায়েং’, ‘নুপীশিংদা দিপ্রেসন’, ‘খুদকসিদা শিদা শিরদবোই খল্লুই’, ‘মোই বাবা, অমুক ৱান্থখ্রেমি!’, ‘নিশা শীজিন্নরে হায়না চিংনবা য়াবা মওং খরা’, ‘য়ুগী চৈথেং অমদি লায়েং’ পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা অমদি আত্মাঘাট, অলজাইমরস লায়না: কা হেন্না কাউগনবগী অনাবা অসিনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরম ১৮দা মেদিকেল সাইন্সকী ওইবা টর্ম অমদি টর্মিনোলোজিশিং মীচম মীয়ামদা কমদৌনা খঙহনগদগে হায়বদুসু ইমালোলদা লায়না ইথোক্তুনা য়াওরি। মসিমক পূক্নিং লৌশিং য়াম্না ওই।

লাইরিক অসিমক মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা পাবদা পূক্নিং লৌশিং য়াম্না ওইগনি। মরমদি ঙসি মণিপুরদা থেংনরিবা খ্বাইদগী তমথীরবা লান অমা হায়রগদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনি অমদি মসিনা ইমুং মনুংদা নুপী অঙাংশিংদা অমসুং খুন্নাই অসিদা অসুক্কী মতিক অমাঙবা কয়া থোকহল্লিবনি লোয়ননা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা মখল কয়াগী অনাবা কয়া নাহল্লিবনি ঙসি ঙসিমক। অদুনা মপা মমা ওইবশিংনা, অহল লমননা লাইরিক অসি পারগা মচা মশুশিং, নক্লা তিন্নবা মরুপ মপাংশিং, কৈরোই লৈকায়গী, মরী মতা পূম্নমক্তা পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা অনাবা মখলশিং পূম্নমক লায়েংবদা মাঙজৌননা কান্নরবা ৱাফমশিং লাইরিক অসিদগী ফংবীগনি।


ঙসি হৌরক্লিবা য়াম্না নৌরিবা অঙাংশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লাইচুরকপা মতমদা থেংনরিবা অৱাবা অমদি মমা মপা ওইবশিংদা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা অসিসু অমা ওইরক্লিবনি। স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা তল্লিবা মহৈ মশীন অদু মপূং ফাবা ঙমদনা লম্বী লমফৈদা চৎতুনা অৱাফমদা তাবা কয়া য়াওরি। পূম্নমক অসি মতম চানা থেংনদুনা অফবা পাউতাক পাউজেল কয়া তোয়না পীবা য়াম্না মথৌ তাই খল্লি। মরী লৈনবা মেদিকেল হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মতম মতমগী ওইবা থৌরমশিং অমসুং অসিগুম্বা পূক্নিং ৱাখলগী লায়না লাইওং অমদি কমদৌনা লায়েংগদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিংদা লৈবাক মীয়াম্না হেন্না পূক্নিং চঙবা কান্নগনি। অমরোমদা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা লায়েংবা হৈবা ডাক্তর মশীং অসিমক য়াম্না লৈবা হায়বদুসু ওইহৌদ্রি মণিপুরদা। অদুবু অনাবদি য়াম্না লৈরে হায়বা লাইরিক অসি পাবদা থেংনবীগনি। মণিপুরদা মেন্টেল হেল্থকী হোস্পিটালমকসু লৈত্রি। অমা থম্নবা থৌরাংদি লৈ হায়নদি লাইরিক অসিদা পনবা থেংনৈ। তৌইগুম্বসুং, হায়রিবা পূক্নিং ৱাখলগী লায়েংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি অনাবা মীওই অদুবু ফজনা লোয়নবীবা হায়বসিসু অমনি। অদুগা অমনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা অরানবা থাজনবী অমা ওইরিবা সাইক্যাট্রিষ্টতা লায়েংবা চৎলবদি অঙাওবনি হায়বসিসু মতম পূম্নমক্কী ওইনা লৌথোকপা হোংদোকপা মথৌ তাই। অসিগুম্বা সোসল ষ্টিগমা অসিনা হেন্না পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা ওইহল্লি হায়বসি নীংশিংবীগদবনি। হেন্না নুংঙাইরিবা অমনা লাইরিক অসি মৈতৈ ময়েক্তসু পূন্না য়াওবসিনি। পূক্নিং ৱাখলগী অনাবা হায়বসি করিনো হায়বদু মীপূম খুদিংনা পাদুনা মেদিকেল লিটরেচর পূম্নমক মীয়াম্না খঙনবা অমদি পূক্নিং লৌশিং ওইনবা অসুম্না লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপীরকপসি থাগৎতবা ঙমদে। হেন্না কান্নবা মেদিকেল লিটরেচর কয়াসু ইবিরক্তুনা য়াইফবা লমদম, তিঞ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা ডাক্তর আর কে লেনিননা মখা তানা হেন্না চাওরবা থৌদাং লৌবীরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। -*তোংব্রম অমরজিৎ*


ডা. আর কে লেনিন

লাইরিক্কী মমিং :-
**ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা (২০১১)**
**অহানবা খূৎনম**
অইবা :- **ডা. আর কে লেনিন**
অফোঙবা :-
**রিন্দা পব্লিকেসন্সকীদমক**
**ডা. পি বিনাতানা ফোঙবা**
লাইরিক্কী মখল :- **ৱারেং**
লমায় মশীং - **২২৪**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**
লাইরিক্কী মখুম :-
**দিলিপ ক্ষেত্রিময়ুম**




# লৈবাক নীংবা ঈশৈ : নিরঞ্জন উশমগী থৱায়




*Be just, and fear not;*
*let all the ends thou aim'st at be*
*thy country's, Thy God's, and truth's.*
*-Shakespeare*

খ্বাইখঙনলোল (লিটরেচর) গী তাইবঙ হায়বসিমক্তবু থৱায়গী, থম্মোয়গী অমসুং মহৌশাগী নুংলোন-ইথিল চঙবা (স্পিরিচুঅলিজম লোমদা নকশিনবা), হায়রিবা নুংলোন-নুংফাওশিং অসিগা ঈরোইননা মচু, মশক-ময়েক শেংনা ফজবা, অসিগুম্বগী মনম-মহাউনা থল্লবা তাইবঙনি হায়নৈ। মচাকশিং অসি খ্বাইখঙন লোলগীদি ফিদম, অৱাংবা থাক্কী ফজবা, চাউথোইনা ঙাল্লিবা (এরদ্যাইট ওইবা), মনম-মহাউনা থল্লবা মতিক-ময়াই (ইংলিসতা এস্থেটিক্স হায়বা ৱাহৈ অমখক্তংনা শূপ্না খঙহল্লি) হায়বদুনি। অসিগুম্বা নুংলোন-নুংফাও (নাউস) অমসুং তোপ-তোপ্পা মহাউগী (ন্যুআন্সকী) মফোঙদোক য়াওদ্রবদি এস্থেটিক্স হায়বদু য়াওদবদৌনা তৌই, ঈকং-কংনা ফাওই অমসুং উই হায়নৈ। জোর্জী মোস্কোভ অমসুং দিমিটর কেনরোভনা হায়, ‘লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন (পেইট্রীঅটিজম) হায়বসি স্পিরিচুঅলিজমদগী থাপতক্লা লৈবা, লৈঙাক্লোল লোমদা (পোলটিক্সলোমদা), কোক্কী ৱাখল লোমদা থরো-মাল্লো ওনমীন্নবগী ইথিল লোমদনা হেন্না নকশিনবা মহাউনি। লৈবাক নীংবা অমনা খল্লিবসি ঐগী, ঐখোয়গী য়ূমগী, ঐখোয়গী লৈকায়গী, ইরমদমগী, ঐখোয়গী চেঙ-হৱাইগী, ঐখোয়গী হৈ-রাগী তাইবঙদা লূপচবনি, ঙাওজবনি। হায়রিবা ময়াম অসিনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না ফজে, খ্বাইদগী হেন্না নুংশি, খ্বাইদগী হেন্না মতিক-মঙাল চাওই, অসিগুম্বগী ৱাখল লোমদা ঙাওজবনি।’ মী খরনা অসুম্না হায়জরবসু, ময়ূম-মকোন, ময়ূম-মকোনগী অকোয়ববু, মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, নীংজবা হায়বসি মীওইবশিংতা নত্তনা মহৌশাগী মশাইগোন্দা হিংলিবা শা-উচেক্লচিংবগীসু য়াওনা, য়াম্না ফিদম্লিংঙাই ওইবা মচৎনি হায়না লৌনরিবনি। জপান, জর্মনি অনীসি মালেমদা খ্বাইদগী লৈবাক নীংবা লমনি হায়না লৌনৈ। জপানদদি অঙাংশিংবু পিশক পীক্লিঙৈদগী ময়ূমদা, মহৈ তম্ফমশঙশিংদা লৈবাক নীংবা হান্না তম্বী হায়নৈ। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা চুংশিন্নবা লৈবাকশিং (এলাইদ কন্ত্রিজ) না লৈবাক অনীসিবু লক্লবোই-করিবোই মরাল শীখি, লৈবাক নীংমনখিদুনা জর্মনিনা য়ুরোপ পূম্বগী মপু ওইনিংখিবনি, জপাননসু মদুগী মিহৌবা এসিয়া পূম্বগী মপু ওইনীংখিবনি : অদুবু লৈবাক অনীমক মায়থীবা ফংখ্রেদনা।

খ্বাইখঙনলোল অইবশিংগী মরক্তা লৈবাক নীংবগী শৈরেং অমসুং ঈশৈ শৈরেং (ঈশৈ ময়েক) ইবদা স্পিরিচুঅলিজমগী ঈরোল-মনুংদা চঙদুনা, মতিক চাবা এস্থেটিক্স, নাউস অমসুং ন্যুঅন্সকী মনম-মনাও পীনা ইবা ঙমখিবশিং য়াম্না লৈ : ইন্দিয়াদা বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায় (বন্দে মাতরম...), রবিন্দ্রনাথ ঠাকুর (জন গন মন...), মুহম্মদ ইকবাল (সারে জহাঁসে অচ্ছা, হিন্দুস্তান হমারা...), হৌজিক্তি পাকিষ্টানগী নেসনল কবি ওইখ্রে) সরোজিনি নাইদু, প্রেম ধৱন, রাজিন্দ্র কিশন (সুনো সুনো এয় দুনিয়া ৱালো বাপুজী কী অমর কহানি...), কবি প্রদিপ (অয় মেরে ৱতন কে লোগো...), কৈইফি আজমি (মেরী আৱাজ সুনো, প্যারকা রাগ সুনো... নৌৱনিহাল ফিল্মগী) অসিনচিংবা। ইংলিস লোন্দা সর ৱোলতর স্কোট (বৃথস দেইর এ মেন ৱিথ সোল সো দেদ...), দব্লু লোংফেল্লো, শেক্সপিয়র, ইমর্জন, এন্মা লেজরসনচিংবা। ৱারোল অসিগী হৌবদা শেক্সপিয়রগী কোটেসননা হায়রিবা *'Be just and fear not... let all the ends thou aim'st at, be thy country's thy God's, and truth's.'* হায়না হৌরিবসিদসু এস্থেটিক্সকী সেন্সবিলতিগী মহাউ খরা অদুম য়াওরে। মীতৈলোলগী লৈবাক নীংবা শৈরেং অমসুং ঈশৈ শৈরেংদা জন নেতা হিজম ইরাবত (থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা..., হৌরো অৱাবা অহিংগী..., নশমদু পুনখৎলু...), বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মা (খোল্লাং লমন শিংঙল্লোই..., হো ইমা পোক্লফম ইমা নঙগুম্বী লৈতে ইমা...), শামুরাইলাৎপম নীলচন্দ্র (তেম্বী) শর্ম্মা (পারী ইমোম শামু পাঙ্গলবশা নপাম লমদম খাম্বী মৈহৌরে...), খুরাইজম ফুলেন্দ্র (অনৌবা যুকক্কী অনৌবা আশা পুদুনা...), কোন্সবা ইবোচৌ (ইরৈপাক কন্দৌবা নহারোল ঐখোয়নি...), লময়ানবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্রনচিংবা পন্নিংঙি। মখোয়গী শৈরেং ঈশৈ শৈরেংশিংদা খ্বাইখঙন লোলগী নুংওন-নুংফাও, মনম-মহাউ, মতিক-ময়াই (এস্থেটিক্স) নীংথিজনা য়াওরে হায়নীংঙি।

নিরঞ্জন উশমগী ‘মণিপুর কৌবী ইমা ও’ মিংথোনবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা লৈবাক নীংবগী ঈশৈ শৈরেং কয়ামুক্কী খূথাদা খ্বাইখঙনলোলগী এস্থেটিক্স, স্পিরিচুএলিটি অমসুং নুং য়ৌনা চঙশিল্লকপগী মশক-মপাউ কয়া উবা ফংঙি। শৈরেং হায়বসিমক্তবু অইবগী নুংদা ফাওরক্লিবা ৱাখল্লোনখক্তু ফোঙদোকপখক্তনা মতিং য়ৌবা ঙমদে, ৱাহৈ-ৱাতাশিংবু মফম-মতম চানা, নীংতম্না চেন-চোংদুনা শান্নহনবা, মতাং অমদনা থম্মোয় শোক্লা পিরাং শিন্থহনবা অসিনচিংবা ঙম্বা চঙই। মসিগী থৌইনশিং অসিগীদমক্তা হাপকে য়াওনা হাপচিনবা মান্দবা, মথন্তা চেনশিল্লকপা মানবা ঈচেলগা ঈরোইননা ইমেজরি, সিমিলী, মেতাফোর, ইদিঅম, দিক্টমনচিংবা কয়া শরুক য়াহনবা চঙই।

মহাক্কী অহানবা শৈরেং ঐখোয় পূম্নমক অমত্তনি কৌবা (লা: ১) অসিদা অসুম্না পল্লি, লাইনীং-লাইশোন মান্নদ্রসু/ইরোল-ইয়েক খেন্নরসু/ঐখোয় মীওইবা কাঙলূপনি/ঈগী মচু অমত্তনি... পাক-চাওনা খনবা ৱাখল্লোনগী ফজবা মশক য়াওরি।

মহৌশাগী মশাইগোন্দা হিংলিবা অহিংবশিংদগী মীওইবশিংনা অমজগদবা য়াম্না লৈ : নোংমগী য়াহৌবা, মচিঞ্জাক থিবা অমদি পাঙগদবা শিন্থা মতম চানা চানা পাঙথোকপা মখোয়না য়াম্না হেল্লি, হূইথৌ লাবনা য়াফেংলে/সঙাই মাসু চিফেংলে/করিগী য়াতারি হৌজিকফাও/নথৌ শিন্থা পাঙলরো। (কোরৌগী মশেক-মঙালনা, লা: ৩) ৱা খজিক্তনা মহৌশাগী ফজবা অমসুং মতম নাইবগী মচৎ অমসু শৈথারি। মীত্তা শংশংনা উহনবা ইমেজরি অমসু উহল্লি।

অথৌবশিংদি মরৈবাক্কীদমক্তা মথৱায় থাদোকপা, মপুন্সি কখোকপদা নাচুংবা লৈতে। অসিগুম্বা নুংগী ৱাখল নিরঞ্জনগী শৈরেং হো নুংশিরবী কেক্রুপাৎ, পলেম শকপী ও (লা: ২০) না হায়ফম থোকপা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা তশেং-তশেংনা উৎলি, ঈঙাং পাত্তক্না ঈমু পাম্ফেন্না/পীখিবনি থৱায়না পোন্থা মখোয়না/অথৌবা মপারীনি মখোয় ইমাগী/তূমখুল তাল্লসনু মখোয় ঈংনা চিক্লা। পরেংশিং অসিনা পূক্নিংদা তুজুংবা অমসু ফাওহল্লি।

মীওইবা কৌবা তাইবঙগী অহিংবশিং অসিদি মীৎকুপ অমদা নোং-খোংবগুম কপ-লাউই; অতোপ্পা মীৎকুপ্তুনা হরাউ-নুংঙাইনা নোক-খেদুনা মতম লেন্থোকই। মহৌশা কৌবী মহাক্তি মহৌশাগী মহৌশা ওইনা অদুম মরৈবোই মনীংঙি। অদুবু কূপ্না য়েংশিনবা হৈবা শৈরেংবশিংনদি মহৌশা কৌবী মাগীসু তোঙান-তোঙানবা শক্লোনশিং উবা ঙল্লি, অদুগা মদু পুথোক্লক্লি, তেংথাজরকই মালেম ইমানা/মহৌশাগী খলনা কায়রকপদা/মকোক্তা মখূৎ হাপ্লে মীওইবা/কপচেৎপী নোংজুনা পাহোল্লকপদা (অঙৌবা লৈচিলগী ইন্নফি লা: ১০৩)। মেটফোরিক দিক্তম মচা অমসু শাগোন্নরি।

চাউরকপনি ইমাগী তম্পাক্তা/শান্নজরকপনি নীংতম্না/তাঞ্জাদু লাক্লে ঙসিদি/খোল্লাংগী লমন শিংনবা। (লমদম কৈদা লৈরিগবা লা: ২) ৱাহৈ পরেংশিং অসিনা অথৌবা অমগী মচৎ, মরীংজেল চপ চানা উৎলি।

ঈশৈ শৈরেং, লীরি ৱারী খোংজোম তুরেলনা (লা: ১৩২) হায়বসিদা অইবনা খোংজোম তুরেল উরুবদা মবুক্লিংদা ফাওরকপা ৱাখলগী মমিদু ফোঙদোকপা থেংনৈ, ৱারীনি খঙহৌরবা উহৌরবা/লানফমনি মীৎমাঙদা শোক্লবা/মথৌনানি তৌশিন্নবা য়াওদবা/মচাশিংনি মমাবু নীংজবা। পীক্তি পীক্লগা, নৌদি নৌরবা, অরুম্বা, নুংঙাইতবা অৱাবগী, পেন্দবগী ঈচাউ অমনা মথক্তা হৈথরক্লম্বদু অথৌবশিংগী থৌনাবু থাগত্তুনা শৈরেংসি লোইশিল্লি।

নিরঞ্জন উশম ঈশৈ শৈরেং ইবদা মখূৎ-উচন চেৎলে। ঙকফম থোক্তে, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) না শীনবা ‘বেষ্ট ওফ অম্মিক’ ২০১২দা, বেষ্ট লিরিসিষ্টকী মনা ফংখ্রবা অইবনি; মদুদসু মহাক্কী ঈশৈ ময়েক অদু লৈবাক নীংবা ঈশৈগীদমক্তা ওইনা ইখিবনি। অদুননি ৱারোল অসিগী মমিং ‘লৈবাক নীংবা ঈশৈ : নিরঞ্জন উশমগী থৱায়’ হায়না থোল্লিবা। মহাক্কী ঈশৈ শৈরেং কয়া মণিপুরগী মমিং লৈরবা শৈশকপা/পী কয়ানা শকখ্রে: ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শন্দোক্তুনা লাক্লি। মরু ওইনা পন্নীংবা অমদি মহাক্কী ঈশৈ শৈরেংশিংগী পরেংশিংদা ৱাহৈশিংগী খোন্তপ (সিলবল) মশীং মান্ন-মান্নবা (রাইম অমসুং রিদম চানা) থম্বা য়াম্না হৈ, ৱাহৈগী অরোইবা তাবা (অলিতরেইশন) য়াম্না চেকশিন্না মান্নহল্লি : মসিনি ঈশৈ শৈরেংগী য়াম্না মরু ওইনা চঙগদবা লৈতেং অমা ওইনরিবা। অসুম্না ইরবতদা ঈশৈ ওইনা কম্পোজ তৌগদৌরিবা মীশক অদুদা করি তালদা শকপনা খ্বাইদগী চানগদগে, করম্বা সুরনা পক্লগনি খনবদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি : ঈশৈ ওইনা থোক্লকপদনা অমুক্তা হেন্না ফজখৎলকই।

লৈবাক নীংবগী ঈশৈ শৈরেং ঙাক্তনা লাইরিক অমা শারগা ফোঙবা মণিপুরদা তাঙনা থোক্লি। শৈরেং খুদিংমক লৈবাক নীংবগী থিমদা লোইনা ইরবনিনা লাইরিক অমমমগী মনুংমক্তদসু শৈরেংশিং অমগা অমগা মান্নরপ তৌবা ফনা য়াম্না য়াওগল্লি। করিসু কায়বা লৈতে: মালেমগী লৈ থাবা লৈবাকশিংনা মখোয়-মখোয়গী ফজবা লৈ মখল মখল কয়া পুথোক্লবদা হোলন্দগী (হৌজিক্তি নেদরলেন্দ কৌখ্রে) তূলিপতবু খোয়দানবা শীংথানবা মী য়াম্না লৈ। মরমসিদগী লৈ থাবদা থৱায় য়াওবা কয়া কয়ানা হোলন্দ (নেদরলেন্দ) গী মফম কয়া কয়াদা পাক শন্না, পাক চাউনা চাউনা তূলিপতঙাক্তা থানরি।

*- যোদ্ধ চন্দ্র সনসম*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।